# ওৎপীরবা পাক রিফ্যুজি খুদিংমক ইন্দিয়ান সিটিজেনসিপ ফংগনি ঃ অমিত শাহ

***জবলপুর, জনুৱারি ১২(এজেন্সি)ঃ***
ওৎপীরবা পাকিস্টান রিফ্যুজি খুদিংমক ইন্দিয়ান সিটিজেনসিপ পীদ্রিবা ফাওবা গভর্ণমেন্টনা পোত্থাখিরোই হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা য়ুনিয়ন হোম মিনিস্টর অমিত শাহনা মখৌ পোঙনা লাওথোকখ্রে।



সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (এ এ সি এ) শৌগৎনবগীদমক মধ্য প্রদেশকী জবলপুরদা পাংথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা মহাক্না ৱা ঙাংখি। 'কোংগ্রেসকী মীওইশিং, তাউ... নখোয়না হেক ঙম্বা চাংদা সি এ এগী মায়োক্তা লেপ্পু, অদুবু ওৎপীরবা পাকিস্টানগী রিফ্যুজি খুদিংমক ইন্দিয়ান সিটিজেনসিপ ফংদ্রিবা ফাওবা ঐখোয়না তুমিন্না ফমুদুনা লৈরোই হায়না মহাক্না হায়খি। মীওই পূন্নমক অসিদা সিটিজেনসিপ পীরবা মতুং খক্তদা ঐখোয় পোত্থাগনি। মসি তৌবদা ঐখোয়বু কনামতনা থিংবা ঙম্লোই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পাকিস্টানদগী হিন্দু, সিখ, বুধিষ্ট অমসুং খৃষ্টান রিফ্যুজিশিং অসি ঐখোয়না ফংলিবা অসিগা চপ মান্ননা ইন্দিয়াদা চপ মান্নবা হকশিং লৈ হায়না অমিত শাহনা হায়খি।

বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অসিনা রামগী লাইশঙগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা থা ৪গী মনুংদা অযোধ্যাদা লাইশঙ অদু শাগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কনাগুম্বা ইন্দিয়ান অমদগী মহাক্কী সিটিজেনসিপ অদু লৌথোকপা ঙম্বা প্রোভিজন অদু সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সি এ এ) অসিগী মনুংদা পুথোক্লবা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধী অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিদসু অমিত শাহনা শীংনখি।

কোংগ্রেস পার্টিদা ওনশিল্লদুনা অমিত শাহনা লৈবাক অসি মচেৎ ২ খায়দোক্লখিবা মতম অদুদা কোংগ্রেস পার্টিনা লাইনিংদা য়ুমফম ওইরগা লৈবাক অসিবু অনী থোক্না খায়দোকখিবনি হায়খি।

মতমদুগী লুচিংবশিংনা পাকিস্টানদগী মাইনোরিটি রিফ্যুজিশিংদা ইন্দিয়ান সিটিজেনসিপ পীগনি থাজবা পীখি হায়না মহাক্না নীংশিংখি।


ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট পাকিস্টান অনীমক্তা লৈবা হিন্দু, সিখ, পার্সি, জেনশিংনা মফম অসিদা লাকপা পামখি, অদুবু ঈ তানগদবা অদুগী মরমদগী মখোয় মফম অদুদা অদুম লৈখিবনি।

মতম অদুদা ঐখোয়গী লৈবাক্কী লুচিংবশিং অদুনা মফম অসিদা মখোয়বু তরান্না ওক্কনি অমসুং মখোয়না হেক লাকপদা সিটিজেনসিপ পীগনি হায়না থাজবা পীখিবনি হায়না অমিত শাহনা হায়খি।

সিটিজেনসিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট, ২০১৯না পাকিস্টান, অফগানিস্টান অমসুং বংলাদেশতগী লাইনিংগী মীওৎ–মীনৈদগী চেল্লকখিবা অমসুং দিসেম্বর ৩১, ২০১৪ ফাওবদা ইন্দিয়াদা লাকখিবা হিন্দুশিং, সিখশিং, জেনশিং, পার্সিশিং, বুধিষ্টশিং অমসুং খৃষ্টিয়ানশিংদা সিটিজেনসিপ পীরি।

# য়ুক্রেন পেসেঞ্জর প্লেন কাপথখিবা মতুংদা ইরানদা মীয়ামগী অশাওবা প্রোটেষ্টশিং হৌরকখ্রে

***টেহরান, জনুৱারি ১২(এজেন্সি)ঃ***
য়ুক্রেন ইন্টরনেসনেল এয়ারলাইন্স প্লেন অমা শোয়বদগী ইরাননা কাপথখিবা অমসুং মদুদা প্লেন অদুদা তোংখিবা পেসেঞ্জর অমসুং ক্রু পূন্না মীওই ১৭৬ অদু লোয়নমক শিখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা ইরানদা মীয়ামগী অশাওবা প্রোটেষ্টশিং হৌরকখ্রে।



প্লেন কাপথখিবা অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী মফমদা ঈকাইখুন্নবা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা ইরানগী কোনুং টেহরানদা মীওই চা কয়া পুনখি। টেহরান সিটিগী মনুংদা লৈবা টাউন অমদা লৈবা আমির কবির য়ুনিভর্সিটিদা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মফমদা ঈকাই খুন্নবা উৎনবা মহৈরোই চা কয়ানা পুনখি। মখোয়না লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ঈকাইখুন্নবা উৎপা অদু কোন্না অশাওবা ফোঙদোকপগী দেমোষ্ট্রেসন অমা ওল্লকখি।

অসুন্না ইরানগী মীয়ান্না প্রোটেষ্টশিং চত্থরকখিবদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পনা শান্তি ওইবা প্রোটেষ্টরশিংবু পাক্তক্লনা হাৎতনবা ইরানদা ৱার্নিং তৌরকখ্রে। ইরানগী মীয়ান্না তৌরিবা প্রোটেষ্টশিং অসিবু মফমসিমক্তদগী অচুম্বা পাউ খঙনবা অমসুং মোনিটর তৌনবা হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংবু ইরান গভর্ণমেন্টনা শোয়দনমক অয়াবা পীগদবনি হায়না ট্রম্পনা ত্বিট তৌখি।

ট্রম্পকী পাউজেল অসি টেহরাননা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা পুনখিবা অমসুং রেদিকেল খোল্লাওশিং লাওখিবা মহৈরোইশিংবু ইরানগী পুলিসনা তনখায়খিবা অদুগী মতুংদা থারকখিবনি।

থৌনা ফরবা অমসুং লিশাংশিংনা অৱাবা খাংলক্লবা ইরানগী মীয়ামদা ঐগী প্রসিদেন্সি হেক হৌবা মতমদগী নখোয়গা লোয়নননা ঐহাক্না লেপ্লি অমসুং ঐগী এদমিনিষ্ট্রেসননা নখোয়গীদমক মখা তানা লেপখিগনি হায়না ট্রম্পনা ত্বিট তৌখি।

এমনেষ্টি ইন্টরনেসনেলনা মীওই ৩০০ হেন্না শিখি হায়বা নবেম্বরদা থোকখিবা প্রোটেষ্টশিংদা তমথিনা নমথখিবা অমগী মতুংদা ইরানদা হন্দক্কী অনৌবা দেমোষ্ট্রেসনশিং অসি চত্থরকখিবনি। শান্তি ওইবা প্রোটেষ্টরশিং পাক্তক্লনা হাৎপগী অতোপ্পা থৌদোক অমগা অমুক থোকহনবা য়ারোই, নৎত্রগা ইন্টরনেট থিংজিনবা য়ারোই। মলেমনা য়েংদুনা লৈরি হায়না ট্রম্পনা হায়রি।

# সেন্টরনা সি এ এ নোটিফাই তৌখিবা মতুং অসামদা হান্নদগী হেন্না অকনবা প্রোটেষ্টশিং চংশিল্লকখ্রে




***গুৱাহাটি, জনুৱারি ১২(এজেন্সি)ঃ***
সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা সি এ এ নোটিফাই তৌনবা লৌখিবা ৱারেপ অদুনা অচাকপা মৈদা ঘী হৈজিনবগুম থোক্তুনা এন্টি–সি এ এ প্রোটেষ্টরশিংনা অনৌবা থৌনাগা লোয়নননা এক্ট অসিগী মায়োক্তা মখোয়গী খোঙজং হান্নদগী হেন্না কন্না চংশিল্লকখ্রে।

গভর্ণমেন্ট অসিনা ঙাইঙমদনা হাথু–হাথুনা তৌবগুম উই। এক্ট অসি শীংনখিবা ঐখোয়গী পেটিসনশিং অদু সুপ্রিম কোর্টনা জনুৱারি ২২দা হিয়ারিং তৌগদৌরিবনি। অদুবু গভর্ণমেন্টনা মদু ফাওবা ঙাইবা ঙমখিদ্রে অমসুং এক্ট অদু চৎনহন্নবা নোটিফাই তৌখ্রে। ঐখোয়না মসি করিগুম্বা মওং অমত্তদা য়ারোই হায়না ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এ এস য়ু)গী চীফ এদভাইজর সামুজ্জাল ভত্তচার্য্যনা হায়খি।

সেন্টরদা মরান শীৱগুম্না ষ্টেট গভর্ণমেন্টপুসু মহাক্না চপ মান্ননা মরান শীখি অমসুং মখা তারদুনা, শগোলশেল নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দা সোনোৱাল অমসুং ফাইনান্স মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্ব শর্মনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ উন্ননবা ন্যু দিল্লিদা চৎখি অমসুং হেক মথঙগী নুমিৎতা নোটিফিকেসন অদু থোক্লকখি। সেন্টরনা তৌরিবদু ষ্টেট গভর্ণমেন্টকা খন্নরগনি হায়বদু মসিনা উৎলে হায়খি।

ঙরাং থাংজ নুমিৎতা অসোম জাতিয়াতবাদি যুব ছাত্র পরিষদ (এ জে ৱাই সি পি)গী মেম্বরশিংনা ষ্টেট সেক্রেটরিয়েট ঘেরাও তৌনবা য়ানীংদবগী খোঙচৎ অমা চৎখি। অদুবু খুদক্তা ফাখি। অদুম ওইনমক মখোয় কোন্না থাদোকখি।

কত্তন য়ুনিভসিটিগী মহৈরোইশিংনসু এক্ট অসিগী মায়োক্তা লেপ্পবা লম্বীশিংদা থোক্লকখি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমসুং চীফ মিনিষ্টর সোনোৱালগী মিতমশিং মৈ থাখি।

সার্ভিস রুলশিংনা ইমপ্লোয়ীশিংবু মখোয়গী মত ফোঙদোকপা অমসুং গভর্ণমেন্টপু ক্রিটিসাইজ তৌবদা থল্লিবা অথীংবা অমা থুগাইদুনা অসাম কলেজ টিচরস এসোসিয়েসননা গুৱাহাটিদা দেমোনষ্ট্রেসন অমা পাংথোকখি।

ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা সদিয়া, গুৱাহাটি, নগাও অমসুং জোরহাততা মখোয়গী এন্টি–সি এ এ প্রোটেষ্ট মীফমশিং মখা চত্থরি।

সি এ এ নোফাই তৌনবগী গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা পুন্না লৈনবা অমসুং এক্ট অসু রিপিল তৌদ্রিবা ফাওবা মখোয়গী চত্থরিবা প্রোটেষ্টশিং মখা চত্থনবা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট দিপাংকা নাথনা আপিল তৌখি।

মহৈরোইশিংগী লুপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি লুরিংজ্যোতি গোগোইনা অসামদা অতৈ ওর্গনাইজেসনশিংগা লোয়নননা আইনগী থোঙদা থেংনরিবা অদু মখা চত্থখিগনি হায়খি।

অসামদা পাক্তক্লনা সি এ এগী মায়োক্তা চত্থরিবা প্রোটেষ্টশিং অসি শগোলশেল নুমিৎতা থা অমা মপুং ফারে অমসুং মসি লেপ্পগী মমি উদ্রি।

ওল অসাম ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী লুচিংবশিংনা মহৈতম্বা, থবকশুব, শান্নবা অমসুং প্রোটেষ্ট খূৎশন্ননা অদুমক পাংথোক্কনি হায়না ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি। এক্ট অসি ককথৎত্রিবা ফাওবা ঐখোয় পোত্থারোই। মহৈরোইশিংনা মতম অমত্তদা মখোয়গী মহৈ–মশীং তম্বা মখা চত্থগনি, সি এ এগী মায়োক্তা খোঙচং চংশিনগনি অমসুং স্পোর্টসসু শান্নগনি হায়না আসু প্রসিদেন্ট দিপাঙ্কা নাথনা হায়খি।

# চিনা য়াদবা প্রসিদেন্টনা মীখলদা পাক্তক্লনা মায় পাকখ্রবসু টাইৱানগী মতাংদা ফিরেপ হোংলোই ঃ চিনা




***টাইপৈ, জনুৱারি ১২(এজেন্সি)ঃ***
দেমোক্রেটিক টাইৱাননা 'ৱান কন্ট্রি, টু সিষ্টেম' হায়বা মোদেল অমগী মখাদা বৈজিংগী লৈঙাক য়াহন্নবা চিনানা হোৎনরকপশিং লোয়নননা চিনানা লৈঙাকপা হোং কোংদা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা চত্থবা প্রোটেষ্টশিংনা কেম্পেন ওইখিবা মীখলদা চিনা য়াদবা টাইৱান প্রসিদেন্ট শাই ইং–ৱেননা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা অনীরক শুবা চহী ৪গী টার্ম অমগীদমক অমুক হন্না পাক্তক্লনা মায় পাকখ্রে।

প্রসিদেন্ট সাই ইং–ৱেনগী দেমোক্রেটিক প্রোগ্রেসিব পার্টি (দি পি পি)না পার্লিয়ামেন্টতা মেজোরিটি অমা ফংখিবা অমসুং মহাক মশামক্কী চহী ৪গী অনীশুবা তার্ম অমসু ফংখিবা অদুগী মতুংদা চিনানা টাইৱাননা লৈরিবা ফিভম অদুগী মতাংদা মখোয়গী ফিরেপতা হোংলোই হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা বৈজিংনা হায়খ্রে।

টাইৱানগী প্রসিদেন্টগী মীখল অদুদা চিনাবু য়াবা ওপোজিসনগী চেলেঞ্জর হান কৌ–য়ুনা খা থংবা সিটি কাউন্সিয়ুংদা লৈবা মাগী হেদক্বার্টরসতা নুমিদাং পুং ৯ তারমদাই হেক মমাঙদা মহাক মায়থিরে হায়বা য়াজখি। মীখল অদুদা সাই ইং–ৱেননা রেকোর্দ ওইনা ভোট মিল্লিয়ন ৭.৭ ফংখি হায়না টাইৱানগী সেন্ট্রেল ইলেক্সন কমিসননা নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবদা হায়খি। ওপোজিসন চেলেঞ্জর হাননা ভোট মিল্লিয়ন ৫.২ ফংখি।

প্রসিদেন্ট সাই ইং–ৱেননা চিনাগী ৱান কন্ট্রি, টু সিষ্টেমসকী মোদেল অদুবু খোঙফম চেৎনা য়াদে। টাইৱানগী মীয়ান্না অমুক্কা হন্না দেমোক্রেসিগী ভেলু অদু মালেমদা উৎনবা মখোয়গী খূৎতা লৈরিবা ভোৎ অদু অমুক হন্না শিজিন্নরে হায়না টাইপৈদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী দি ফেক্টো এম্বেসিগী মকোক ব্রেন্ট ক্রিষ্টেনসেনগা ঙসি উন্নবদা সাই ইং–ৱেননা হায়খি।

ঙরাং থাংজ নুমিৎতা সাই ইং–ৱেননা চিনাগা ৱারী শান্নবা অমুক হৌনবা আপিল তৌখি। অদুবু টাইৱান অমসুং মসিগী মীয়ান্না কিহনবদা কোক নোনলোই হায়বসি বৈজিংনসু খঙগনি আশা তৌই হায়খি।

অদুম ওইনমক টাইৱান ইন্দিপেন্দেন্সকী মায়োক্তা লেপ্তনা চিনানা 'ৱান চিনা' হায়বা ফিরেপতগী হোংলোইদৌরি। টাইৱানদা মনুংগী ওইবা ফিভমদা লাকপা অহোংবশিং করিসু খন্নিংঙাই ওইদে। মরুওইবা অচুম্বা অদুদি মালেমগী মনুংদা চিনা অমখক্তমক লৈ অমসুং টাইৱান হায়রিবসি চিনাগী শরুক্তি হায়বসিদা হোংবা লৈতে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা চিনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিনা ৱান চিনা প্রিন্সিপল য়াবগী য়ুনিভর্সেল কসেনসেস, লৈবাক মচেৎ তাবগী এক্টিভিটিশিংগী মায়োক্তা লেপ্পবা চাইনিজ মীয়ামগী অচুম্বা হিরম অদু মালেমনা শৌগৎকনি অমসুং নেসনেল রিকন্সিলিয়েসন অদু মালেমনা য়াগনি হায়না চিনানা আশা তৌই হায়খি।

# সিটিজেনসিপ এক্ট, সিটিজন্স লিষ্ট য়ানিংদবা খোল্লাওশিং নমথবা য়ারোই হায়না সিতারাম য়েচুরিনা ফোঙদোকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১২(এজেন্সি)ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ নীনিগী কোলকতা খোঙচৎ মনুংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা তৌখিবা প্রোটেষ্টশিং অদু থাগৎলদুনা সি পি আই এমগী জেনরেল সেক্রেটরি সিতারাম য়েচুরিনা –চয়েৎনবা সিটিজেনসিপ লো, নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) অমসুং নেসনেল পোপুলেসন রেজিষ্টার (এন পি আর)গী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরিবশিংগী খোল্লাওশিংবু নমশিন্দুনা থম্বা য়ারোই হায়খ্রে।



ঙরাং থাংজ নুমিৎতা এক্টিভিষ্টশিংনা লম্বী লমজাওশিংদা থোক্তুনা 'মোদি হনখ্রে' অমসুং 'বি জে পি লৈখা তারো' হায়না থাবা প্লেকার্দশিং পায়দুনা অহিং চুপ্পা চেৎনা ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখি অমসুং মখোয়গী খোঙজং অদু প্রাইম মিনিষ্টরনা সিটি অসি থাদোক্তুনা চৎত্রিবা ফাওবা মখা চত্থখিগনি হায়খি।

মীচং–মীখাই নাইবা, দিসক্রিমিনেটরি ওইবা সি এ এ–এন আর সি– এন পি আর থিংলিবা মীওইশিং অসিগী খোল্লাওশিং ফিবুল নমদুনা মেনবা য়ারোই হায়না সি পি এমগী লুচিংবা অসিনা ত্বিট তৌখি।

প্রাইম মিনিষ্টর অসি মীয়ামনা শোকপা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈ অমসুং মহাক্না মসি নমদুনা তৌগনি খল্লি। অদুবু মদু মহাক্না ঙম্লোই। হৌজিক ইন্দিয়াগী নহা থুংলরে অমসুং লৈবাক অসিবু মাঙলোমদা লুচিংলগনি হায়না সি পি এম লুচিংবা অদুনা হায়খি।

ষ্টেট অসিদা নুমিৎ নীনিগী খোঙ্চৎতা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা কোলকটাদা থুংলবা মতুং থাংজা নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিগা উন্নখি। রাজ ভবনদা উন্নখিবা অদু ইন্দিয়াগী মফম পূন্নমক্তা মীয়ামগী প্রোটেষ্টশিং হৌরকহনখিবা শেমদোক্লবা সিটিজনসিপ এক্ট অদুগী মতাংদা বি জে পি অমসুং ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মরক্তা য়ান্না তাথিনা মায়োক্লরিঙৈ চৈরক্তনি।

# চিনানা পুংদা কিমি ৩৫০ য়াঙবা দ্রাইভর য়াওদবা বুল্লেট ট্রেন হৌদোকখ্রে

***বৈজিং, জনুৱারি ১২(এজেন্সি)ঃ***
চিনানা মখোয়গী হায়–স্পীদ ট্রেনশিংগী হান্ননা শুমহৎনিঙাই ওইরবা ইনভেন্টরি অদুগী মথক্তা দ্রাইভর য়াওদবা স্মার্ট বুল্লেট ট্রেন অমা হন্দক্তা অনৌবা ওইনা হাপচিল্লকখ্রে।

হায়রিবা দ্রাইভর য়াওদবা বুল্লেট ট্রেন অসি পুংদা কিলোমিটর ৩৫০ ফাওবগী খোঙজেনদা য়াঙনা চেনবা ঙম্মি। ট্রেন অসিনা হান্না পুং ৩ চংলম্বা মাইল ১০৮ শাংবা খোঙচৎ অদু সুপ্নগী মিনিট ৪৭তমক চংলগনি। সি এন এন ট্রেভেলগী মতুং ইন্না বুল্লেট ট্রেন অসি ২০২২ বৈজিং ৱিন্টর ওলেম্পিক্সকী থৌরাং অমা ওইনা পায়খৎপনি অমসুং মসিনা চিনাগী কোনুং অসিগা স্পোর্টকী থৌরমশিং অদু য়ুম্ভু ওইগদৌরিবা অতোপ্পা টাউন অদুগা শন্নহনগনি।

ট্রেন অসি ষ্টেসন ১০দা লেপফমশিং লৈ অমসুং লেপফমশিং অসিগী মনুংদা কয়া অমদি ৱিন্টর ওলেম্পিক্সকী স্পোর্টকী থৌরমশিং পাংথোকমফমশিং অদুগা য়ান্না নক্লে। লন্নাই সিটি খুদিংমক টচ স্ক্রিন অমা অমসুং ৱয়ারলেস চার্জিং পোর্ট অমা পাল্লি। ইঞ্জিনিয়ারিংগী অঙকপা পোখোক অসিদা ৫–জি কনেক্টিভিটি, স্মার্ট লাইটিং অমসুং রিয়েল–টাইম দাটা খোমজিন্দুনা ট্রেন অদুগী ফংসনিং অদু মোনিটর তৌনবা সেন্সর লিশিং কয়াসু পাল্লি।

# য়ু এসতা অকনবা নোংলৈ–নুংশিৎতা মীওই ১১ শিখ্রে, ফ্লাইট ১,২০০ হেন্না ককথৎখ্রে

***চিকাগো, জনুৱারি ১২(এজেন্সি)ঃ***
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী খা থংবা শরুকশিংদা অকনবা নোংলৈ–নুংশিৎ হুমজিল্লকখ্রে। পুংদা য়ামদ্রবদা মাইল ৬০ য়াঙনা শিৎলকখিবা নোংলৈ–নুংশিৎ অদুনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা নোংচুপ থংবা ময়াই লমদমলোম য়ৌশিল্লক্তুনা লৈবাক অসিগী পাক চাওরবা মফম কয়াদা লেপ্তনা নোং চুরকখিবা অমসুং সমুদ্রগী নুশিৎশিংগা লোয়নননা য়ামদ্রবদা মীওই ১১ শিখ্রে। নোংলৈ–নুংশিৎ অদুনা তমথিবা মওং লৌদুনা টেক্সাস, লুইজিয়ানা অমসুং অলাবামা হায়বা খা থংবা য়ু এস ষ্টেটশিং নৈখায়দুনা লাকখি। মীয়ামদা মৈ ফংহনখিদ্রে। উপাম্বীশিং অমসুং পৱার লাইনশিং ইন্থুখ্রে, মীয়ামগী লন–থুম শোকহনখ্রে অমসুং গ্যাস পোর্টশিং ফাওবা শোকখ্রে।

টেক্সাসতা অকনবা উনগী ৱেদরনা মরম ওইদুনা মি শিখি, অলাবামাদনা টোরনেদোদগী মী অমা শিখি। চিকাগোগী ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টশিংদা ফ্লাইট ১,২০০ হেন্না ককথৎখ্রে। ঙরাং থাংজগী অয়ুক্তা সিটি অসিগী ও'হিয়ার ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টনা ফ্লাইট ৯৫০ হেন্না ককথৎখি অদুগা মিদৱে ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টনা ফ্লাইট ৬০ রোম ককথৎখি।

ঙরাং থাংজগী অঙনবা অয়ুক্তা অৱাং থংবা ইল্লিলোইস অমসুং চিকাগো এরিয়াগীদমক ৱিন্টর ৱেদর এদভাইজরি অমা থোকখি অমসুং ঙসি নোংমাইজিংগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা চৎনগনি।

# কোলকটা পোর্ট ট্রষ্টপু ডো. স্যামা প্রশাদ মুখরজি পোর্ট মমিং থোনখ্রে



***কোলকটা, জনুৱারি ১২(এজেন্সি)ঃ***
ৱেষ্ট বেঙ্গলদা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা লাকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি কোলকটা পোর্ট ট্রষ্টপু লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি ওল্লকখিবা ভারতিয়া জন শঙ্ঘগী ফাউন্দর ডো. স্যামা প্রশাদ মুখরজি হায়না নৌহৌনা মমিং থোনখ্রে।

স্যামা প্রশাদ মুখরজি হিংলিবা লিজেন্দ অমনি 'ৱান নেসন, ৱান কনষ্টিট্যুসন'গী ৱাখল্লোন অদুগীদমক মাঙজিন থানা থেংনখিবা দিভলপমেন্টকী লীদর অমনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুমিৎয়ুংবা মতুংদা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী লিরবা হিথাংফমশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা কোলকটা পোর্ট ট্রষ্টকী চহী ১৫০ শুবগী থৌরম হৌদোক্লবা তুংদা হায়খি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিদি চৎনলোনগী ঈকাইখুন্নবা উৎপা অমনি হায়খিবা অমদা কোলকটাদা মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরবু উন্নখ্রবগী মতুং ঙসি থৌরম অদু য়াওখিদ্রে।

চিত্তরঞ্জন লোকোমোটিব ফেক্টরি, হিন্দুষ্টান এয়ারক্রাফ ফেক্টরি, দামোদর ভেলি কোর্পোরেসন অমসুং অতৈ প্রোজেক্ট কয়ামরমুদা মহাক্না মশক থোক্না শরুক য়াদুনা ডো. মুখরজিনা ইন্দিয়াদা ইন্দষ্ট্রিয়েলাইজেসনগী য়ুমফম অদু থোল্লমখিবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

হিথাংফম অসিনা চহী ১৫০ শুরকপগী থৌরম পাংথোকপগা লোয়নননা ঙসি ঐখোয়গী শোয়ফদ্রবা থৌদাংদি মসিবু অনৌবা ইন্দিয়াগী অকনবা শক্তিগী সিম্বোল অমা ওইহনবা হায়বসিনি।

ইন্দিয়াগী হিথাংফম অসি ইন্দিয়াগী নুংঙাই–য়াইফবগী থোঙশিং অদু হাংদোকপনি হায়না ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টনা থাজৈ। মসিগীদমক সেন্টরনা কন্নেক্টিভিটি শেন চঙবা হহুহন্নবা সাগরমালাগী থবক লৌখৎপা হৌখ্রে হায়না মোদিনা মখা তাখি।

# সিটিজেনসিপ লো অমসুং এন আর সিগী মতাংদা ঙসি ওপোজিসনগী মীফম ফমগদৌরি




***ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১২(এজেন্সি)ঃ***
চয়েৎনবা সিটিজেনসিপ লো অমসুং সিটিজেনসিপ লিষ্ট –এন আর সিগী মতাংদা মহৈরোইশিংগী প্রোটেষ্টশিং চত্থরিঙৈগী মরক্তা লৈবাক অসিগী ওপোজিসন পার্টিশিংনা হৌজিক ওইরিবা পোলিটিকেলগী ফিভম খন্ননবা হয়েঙ নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মীফম পাংথোক্কদৌরি।

ওপোজিসনগী অমত্তা ওইবা উৎলবা য়াই হায়না আশা তৌনরিবা মীফম অদু ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জি অমসুং বহুজন সমাজ পার্টি চীফ ময়াবতিদি য়াওররোইদৌরি হায়না লিখুলশিংনা হায়রি।

লেফট পার্টিগী ৱার্করশিংগা মহাক্কী ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী ৱার্করশিংগা হৌখিবা চয়োলগী ট্রেদ য়ুনিয়ন ষ্ট্রাইকতা খূৎ থোক্লখিবা অদুগী মতাংদগী মমতা বেনর্জিনা ওপোজিসনগী মীফম অদু মহাক য়াওররোই লাওথোকখি।

অসিগুম্বা মীফম পাংথোক্লবগী ৱাখল অদু মহাক্না পুথোকখিবনি। অদুবু ষ্টেট অসিদা ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদু য়েংলগা ঐগীদমক মীফম অদু য়াওনবগী ওইথোক্লিঙাই লৈত্রে হায়খি।

সি এ এ, এন আর সিগী মায়োক্তা অন্দোলন অমা চংশিনবসি ঐহাক্না অহানবনি হায়রদুনা লেফ্ট পার্টি অমসুং কোংগ্রেসনা সি এ এ অমসুং এন আরসিগী মিংদা তৌরিবসিদি খোঙজং অমা নৎত্রে, মসিদি বেনদালিজমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ঙরাং থাংজ নুমিৎতা কোংগ্রেস চীফ সোনিয়া গান্ধীনা সিটিজেনসিপ লো অসি লাইনিংগী মিংদা মীয়ামবু অনী থোক্না নাকপাক তাহন্নবা ফৎতবা থৌরাং অমনি হায়না পার্টিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱারেপ লৌবা বোদি কোংগ্রেস ৱার্কিং কমিটি (সি দব্লিয়ু সি)গী দিল্লিদা পাংথোকপা মীফম অমদা হায়খি।

সি এ এ খুদক্তা ৱিদ্রো তৌনবা অমসুং এন পি আরগী প্রোসেস অদু লেপ্পবা কোংগ্রেসনা দিমান্দ তৌখি।

মমতা বেনর্জি য়াওনা অমসুং কোংগ্রেসনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংগী চীফ মিনিষ্টর কয়ামরুম্না মখোয়গী ষ্টেটশিংদা মখোয়না সি এ এ নৎত্রগা এন আর সি চত্থহল্লোই হায়খ্রবনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-355**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | 5 | 6 | | | 3 | |
| 5 | | | 3 | | 1 | | | 2 |
| | | 2 | | | 9 | 1 | 6 | |
| 3 | | | | 1 | | 2 | 5 | |
| 9 | | | 2 | | | | | 7 |
| | 6 | 1 | | 9 | | | | 3 |
| | 2 | | | | 6 | | | 1 |
| | 1 | | | 3 | | 9 | | 6 |
| 6 | | | | 2 | | | | 8 |

## GAS TODAY

**Imphal LPG Service**
Booking : 27/11/19
Valid : 07/11/19
Sl. No. : 10116
Stk : 145 / 19kg- 70
Time : From 07.30 a.m.

**R B D Indane**
Booking : 18/11/19
Valid : 07/10/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Phayeng Indane Service**
Booking : 21/10/19
Valid : 13/10/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

**Mahalaxmi Indane**
Booking : 24/11/19
Valid : 12/11/19
Sl. No. : 284626
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Hrangchal Gas**
Booking : 11/12/19
Valid : 05/12/19
Stk : 612
First Come First Serve

**Hiyngthang Indane**
Booking : 08/11/19
Valid : 06/11/19
Sl. No. : 100
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Tanglei Gas**
Booking : 15/12/19
Valid : 14/12/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 09/10/19
Valid : 28/09/19
Sl. No. : 82120
Stk : 540
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**সনা–সুদোকু–৩৫৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 1 | 2 | 6 | 9 | 5 | 4 | 3 | 8 |
| 9 | 3 | 5 | 4 | 1 | 8 | 6 | 2 | 7 |
| 6 | 4 | 8 | 2 | 3 | 7 | 9 | 5 | 1 |
| 1 | 6 | 4 | 8 | 2 | 3 | 5 | 7 | 9 |
| 2 | 8 | 9 | 5 | 7 | 4 | 1 | 6 | 3 |
| 5 | 7 | 3 | 1 | 6 | 9 | 2 | 8 | 4 |
| 3 | 5 | 1 | 7 | 4 | 6 | 8 | 9 | 2 |
| 8 | 2 | 7 | 9 | 5 | 1 | 3 | 4 | 6 |
| 4 | 9 | 6 | 3 | 8 | 2 | 7 | 1 | 5 |